# য়ু এস ওপন : এঞ্জেলিগ কার্বর, রফেল নদাল, নোভাক জোকোভিচনা মায় পাক্তুনা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৩ :
এঞ্জেলিগ কার্বরনা মফম অসিদা চথুরিবা য়ু এস ওপনগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মশাগী চহী ১৭ খক্তা ঙাইরিবী অমেরিকাগী ক্কালিফাইয়র সিসি বেল্লিসপু ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

নুপীগী ফিল্ডদা খ্বাইদগী নহা ওইবী অনীশুবী প্লেয়র ওইরিবী বেল্লিসনা ক্কালিফাইয়িং মেচ অহুম মায় পাকখ্রে অমদি মেইন দ্রোদা টোপ ৬৫ গী মনুংদা লৈবা প্লেয়র অনী মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে অদুবু মহাক্না ওপন অসিদা খুমাঙ চাউনা চঙশিনগনি হায়না শাগৎখিবা মঙলান অদু কার্বরনা থুগায়বীখি।

অনীশুবা সীদেদ জর্মন অসিনা মেচ অদু মায় পাকখিবদা মিনিট ৫৫ চঙখি অমদি মেচ অদুদা বেল্লিসপু য়াম্না লায়না নক্ষৎতুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী ইন্থরমখি।

মেচ লোইরবা মতুং অথর্র আশ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা কার্বরনা হায়খি, সিসিবু থাগৎলি। মহাক য়াম্না ফজনা শান্নরে অমদি মহাক তুংদা শুংশোই শোইদনা অফবা প্লেয়র অমা ওইবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কালিফোর্নিয়ন অসিনা হায়খি, ঐনা টেনিসতা শান্নখিবদা ঙসিনা খ্বাইদগী ফবা এক্সপরিয়েন্স অদু ফংবা ঙমখি। মহাক্না অথর্র আশ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অসি খ্বাইদগী ফবা অমসু ওইখি।

মহাক অসি খ্বাইদগী ফবশিংগী মনুংদা অমনি। সেরেনাদগী হেন্না টূর অসিদা অফবা প্লেয়রশিং লৈরি হায়না ঐনা খঙবা ঙম্লে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মথংগী মেচতা কার্বরনা চেক রিপব্লিক্কী পেট্রা কভিটোভাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। পেট্রা কভিটোভানা অতোপ্পা মেচ অমদা য়ুক্রেনগী ২২শুবা সীদ ইলিনা সেভাটোলিনাবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মরিশুবা রাউন্দ চঙখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসদা মরিশুবা সীদ রফেল নদালনা ফ্লশিং মেদোজদা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা রসিয়াগী এন্দ্রে কুজনেটসোভপু ৬-১, ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট সিক্সটিনদা খুমাঙ চাউশিনখিদুনা ওপন অসিগী অহুম্লক শুবা টাইটল লৌনবা খোঙফম শেমখ্রে।

নদালনা মহাক্কী ওইগী খুদাংদা অশোকপা লৈখিবদগী ৱিমল্লেদনদা শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবসু চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম অসিদা মশক থোক্ল া শান্নখিদুনা সেট অমফাওবা দ্রোপ তৌদনা মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

নদালনা হায়খি, ঐহাক নিংথিনা বোল থোম্বা অমদি শাফু কন্না য়েবা ঙম্লে। ময়াম্নসু ঐনা য়েরিবা শুট অসি খঙলবনা ফগৎলে হায়না লৌনরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নদালনা ফ্রেঞ্চ ওপনদা মহাক্কী খুদাং অদু শোকখি অমদি মদুনা মরম ওইদুনা ৱিমল্লেদনদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। মতুং তারকপদা মহাক্না রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াদুনা সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেল চঙখি অমদি দবলসকী গোল্ড মেদল লৌখি।

নদালনা মথংগী মেচতা স্পেনগী রেবার্টো বৌটিষ্টা ওগটপু সেট মঙাদা মায়থীবা পীখিবা ২৪শুবা সীদদে ফ্রেঞ্চমেন লুকাস পৌল্লেগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

অতোপ্পা, নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা টোপ রেঙ্কতা লৈরিবা সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা রসিয়াগী মিখাইল য়ৌজনিগা অহুমশুবা রাউন্দদা শান্নখিবদা জোকোভিচনা অহানবা সেটতা ৪-২ দা মাঙজিল থানা চৎলিঙৈ মিখাইল য়ৌজনিনা মহাক্কী ওই থংবা হাম ষ্ট্রিংদা শোকপদগী রিটয়ার্দ তৌখিদুনা জোকোভিচনা মরিশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি। মমাঙগী মেচতসু জোকোভিচনা ৱাক্ক ওভর ফংদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখিবনি। মেচ অদুদা চেক্কী জিরি ভেসেলিনা শান্নদনা তোকখিবনি।

জোকোভিজনা হায়খি, ঐঙোন্দা থোক্লিবা থৌদোক অসি গ্রান্দ স্লামগী কেরিয়রদা অমুক্তা ফাওবা থোকখিদ্রি হায়না ফোঙদোকখি।

সার্ব অসিনা মথংগী রাউন্দদা মশাগী চহী ২১ শুরবা কেলে ইদমুন্দগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। কেলে ইদমুন্দনা অহুমশুবা রাউন্দদা অমেরিকাগী বিগ সর্ভিং জোন ইস্নরবু ৬-৪, ৩-৬, ৬-২, ৭-৬ (৭/৫) দা মায়থীবা পীদুনা মরিশুবা রাউন্দ চঙখি।

অমরোমদা, ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মফম অসিদা চথুরিবা য়ু এস ওপনগী ঙরাং শান্নখিবা মেচতা ফেল্লো অমেরিকান ভানিয়া কিংবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী গ্রান্দ স্লাম সিঙ্গলস মেচ ৩০৬ মায় পাকপসু ওইখি। মহাক্না গ্রান্দ স্লাম সিঙ্গলস মেচ খ্বাইদগী মায় পাকপগী রেকোর্দ থল্লিবা মার্টিনা নভরাটিলোভাগসু মান্নবা ঙমখিবনি।

ৱর্ল্ড নম্বর টু বৃটেনগী এন্দি মরেনা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা স্পানিয়ার্দ মর্সেল গ্রানোল্লরসপু ৬-৪, ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি। মরেনা মথংগী রাউন্দদা ইটালিগী পাওলো লোরেঞ্জিগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। পাওলো লোরেঞ্জিনা ফ্রেঞ্চকী গিলেস সিমোনবু ৩-৬, ৬-২, ৬-২, ৬-৭ (১/৭), ৭-৬ (৭/৩) তা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখিবনি।

জুআন মার্টিন দেল পোট্রোনা অমেরিকাগী ১৯ শুবা সীদদে ষ্টেভ জোন্সনবু ৭-৬ (৭/৫), ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। মার্টিন দেল পোট্রোনা কুমজা ২০০৯ গী য়ু এস ওপন ট্রোফি লৌখ্রবা মতুং মহাক্কী খুদাংদা সর্জরি মরিরক তৌখিবদগী নিংথি-নুংঙাইনা শান্নদনা লাকখিবনি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা রসিয়াগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবা ক্কালিফাইয়র কারেন খাচানোভপু ৬-৪, ৪-৬, ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি। মেচ অদু মথক কূপতবা কোর্টতা শান্নখিবদগী অকনবা নোং চূরক্তুনা মতম খরা শান্নবা লেপ্তুনা লৈখি।

অনীরক ওপন অসিগী সেমী ফাইনেলিষ্ট ওইখ্রবা অহুমশুবা সীদেদ স্বিসকী ষ্টান ৱারিঙ্কানা রেঙ্ক ২৪৩শুবদা লৈরিবা ইটালিগী ক্কালিফাইয়র অলেসান্দ্রো গিয়ননেসিবু ৬-১, ৭-৬ (৭/৪), ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

নিপানশুবা সীদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা লিথুনিয়ন রির্কাদাস বেরাঙ্কিসবু ৬-৪, ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না মথংগী রাউন্দদা স্পেনগী পাব্লো কারেনো-বুষ্টাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। পাব্লো কারেনো-বুষ্টানা সার্বিয়াগী জানকো টিপসারেভিকপু ৩-৬, ৪-৬, ৬-২, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অষ্ট্রেলিয়াগী ১৪শুবা সীদ নিক কির্গিওসনা অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবালোসবু ৭-৫, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি। মেচ অদুদা কির্গিওসনা এস ২৭ কনখি অমদি ৱিন্নিং সার্ভ৪৮ গী মনুংদা ৪৫ লৌবা ঙমখি।

নুপীগী মরিশুবা সীদ পোলেন্দগী অগনিস্কা রাদৱানস্কানা বৃটেনগী নাওমি ব্রোদিবু ৭-৬ (১১/৯), ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা সীদ সিমোনা হালেপনা লুসি সাফারোভাবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। তরুকশুবা সীদ ভেনস ৱিল্লিয়মসনা জর্মনিগী জুলিয়া গোর্জেসপু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। ভেনসনা য়ু এস এ ওপন অনী য়াওনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল তরেৎ লৌখ্রে। মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা ঙরাং মায় পাকখিবা অসিনা য়ু এস ওপনগী ৭০ শুবা মেচসু ওইখি।

# দুরান কপতা দি এস কে শিভাজিয়ন্স অমসুং ইন্দিয়ন নেভি দ্রো চৎখ্রে

## আইজোল এফ সিনা আই এ এফ মায়থীবা পীখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ :
মায়থীবা য়াওদ্রিবা দি এস কে শিভাজিয়ন্সনা মফম অসিদা চথুরিবা দুরান কপকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা পুল এগী মেচতা ইন্দিয়ন নেভিগা গোল ৩-৩ দা দ্রো চৎখিদুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

অমরোমদা টুর্ণামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী মেচতা আইজোল এফ সিনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সপু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা গ্রুপ অসিগীমক্কী অতোপ্পা মেচ অমদা রিএল কাশ্মির এফ সি অমদি আর্মি রেদ অনীনা ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

পুনেদা বেজ তৌবা আই লীগকী সাইদ অসিদা ফোরেন অহুম য়াওবগা লোয়নননা মখোয়গা মায়োক্নখিবা ইন্দিয়ন নেভিগী মায়কৈদা অকনবা শাফু পীদুনা তকখৎখি। ইন্দিয়ন নেভিসু দি এস কে শিভাজিয়ন্সকী মায়কৈদা গোল চন্ননবা অকনবা শাফু পীখি। ইন্দিয়ন নেভিনা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট মরি চৎপা মতমদা বিবাকে থাপানা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মেচ অদু শিভাজিয়ন্সনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নরকখিবগা লোয়নননা গোল এটেম্পশিং তৌখি।

শিভাজিয়ন্সকী রোহিৎ কুমার অমদি অরিফ শৈখনা থংন-থংননা গোল অমমম চনশিনখিদুনা মাঙজিল থানা চৎখি। ইন্দিয়ন নেভিসু হনবা লৈতনা শিভাজিয়ন্সকী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা ৱেনে ভাজ অমদি ইরশাদনা গোল অমমমগা চনশিনখি। শিভাজিয়ন্সকী অহুমশুবা গোল অদুনা স্পানিসকী প্লেমেকর জুআন ক্বেরো ব্রাসোনা চনখিদুনা টিম অনীনা ৩-৩ দা দ্রো চৎখি।

অমরোমদা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা পুল বিগী মেচ অমদা আইজোল এফ সিনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সপু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফংখিদুনা গ্রুপ অসিগী টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

আইজোল এফ সিনা মেচ অসি মায় পাক্তুনা পোইন্ট তরুক ফংখিবগা লোয়নননা মখোয়গী গ্রুপকী টেবলদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙমখিবনি। আইজোল এফ সিগী মায় পাকপগী গোল অদু মেচকী মিনিট ৩৫ চৎপা মতমদা ব্রাইট মিদ্দলটননা চনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা আইজোল এফ সিনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

অনীশুবা হাফতা আইজোল এফ সিনা মখা তানা গোল চন্ননবা হোৎনরকখ্রবসু ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা থিংখিবদগী কান্নবা ফংখিদে। ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সসু গোল ইক্বেলাইজ তৌননবগীদমক আইজোল এফ সিগী মায়কৈদা হনবা লৈতনা এটেকশিং তৌখি। অদুমক্পু আইজোল এফ সিনা গোল চলহন্দনবা অকনবা থৌরাং লৌখৎখিদুনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী প্লেয়রশিংবু মখোয়গী দি বোক্স তম্না চঙশিনহনখিদে।

মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অমত্তনা অহেনবা গোল অমদি ইক্বেলাইজ ওইগদবা গোল চনবা ঙমখিদবদগী আইজোল এফ সিগী মখুৎতা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা মায়থীহৌখি।

নুমিৎ অসিগী অরোইবা মেচ ওইনা রিএল কাশ্মির এফ সি অমদি আর্মি রেদ অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবদা টিম অনীমক্না গোল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। মেচ অদু দ্রো চৎখিবদগী রিএল কাশ্মির এফ সি অমদি আর্মি রেদ অনীনা পোইন্ট য়েন্নখি।

রিএল কাশ্মির এফ সিগী গোল অদু সেকেন্দ হাফকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা শৈক রাসূলনা গোল অমা চনদুনা মাঙজিল থানা লৈখি। রিএল কাশ্মির এফ সিনা গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা আর্মি রেদনা তৌখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী প্লেয়র সিনেলো কাথরেঙ্গানা মেচকী মিনিট ৮৬ চৎপা মতমদা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখিদুনা টিম অনীমক্না গোল অমমমদা দ্রো ওইখি।

# এ আই এফ এফকী নুমিৎ হুম্নি চথুরকপা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী রেফ্রি ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ :
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না শীন্দুনা মুম্বাইদা চথুরকখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) রেফ্রি ৱার্কশোপ অদু থা অসিগী ১ দা লোইশিনখ্রে।

হায়রিবা রেফ্রি ৱার্কশোপ অদু মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী ইন্সট্রক্তর জপানগী ইসিয়ামা নোবুরুনা কন্দক্ট তৌখি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, নুমিৎ হুম্নি চূপ্পা চথুরকখিবা ৱার্কশোপ অদুদা মখল-মখাগী ঠিওরি অমদি প্রেক্টিকেল সেসনশিং চথুদুনা লৈবাক অসিদা ফুটবোলবু চাউখৎহন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

ৱার্কশোপ অদুদা অপুনবা এ আই এফ এফকী মেচ ওফিসল ২৬-রেফ্রি ১৩ অমদি এসিষ্টেন্ট রেফ্রি ১৩ না শরুক য়াখি। ৱার্কশোপ অদুদা মখোয়গী লৌশিং হেনগৎহন্ননবা, গেমসগী লোনা পীরিবা থবক থৌরমশিং মমুৎ তানা খঙননবা অমদি ওফিসলশিংগী টিম ৱার্ককী মতাংদা হেন্না মথৌ ইক্নবা হোৎনগদগে হায়বগী মতাংদা কূপ্না খন্ন-নৈনবতা নত্তনা হায়রিবশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্নবসু ৱারেপ লৌখি।

ৱার্কশোপ অদুদা নৌনা লোদা হাপচিল্লকপা থবক থৌরমশিং শন্দোক্ন া নৈনদুনা খঙননবসু হোৎনখি। মেচ ওফিসলদা টিম ৱার্ককী মরু ওইবা কয়া অদুসু খন্ন-নৈনবতা নত্তনা করম্না থবক্তা ওন্থোকপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা মিৎয়েং থমখি। ফুটবোলগী হীরমদা মেনেজমেন্টকী হৈ-শিংবা অমদি ফিল্ড ট্রেনিংগী মতাংদসু নৈনখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) কী অহুমশুবা সিজন হৌননবগীদমক শেম শাবা হৌখ্রবনি। হায়রিবা আই লীগ অসিদা থৌ পুগদবা মেচ ওফিসলশিং, রেফ্রিশিংবু অনৌবা ফিফাগী লোশিং খঙবা মথৌ তারকপনা ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপনি।

ৱার্কশোপ অসিনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা চাউনা শাফু অমা পীরগনি অমদি চাউখৎপদসু মতেং ওইরগনি হায়রি।

# রসিয়ানা রিও পরালিম্পিক গেমসদা শরুক য়াবা ফংলরোই



রিও দি জানৈরো, সেপ্টেম্বর ০৩ :
রিও দি জানৈরোদা সেপ্টেম্বর ৭ তগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা পরা-লিম্পিক গেমসদা রসিয়াগী পরা-এথলেটশিংনা ইন্দিভিজুয়েল ওইনা শরুক য়াবা য়াহনবীনবা হায়জখিবদা য়াখিদ্রবা মতুং ন্যুট্রেল ওইনা শরুক য়াবদসু ইন্টরনেসনেল পরালিম্পিক কম্মিটিনা (আই পি সি) না অথিংবা থমখ্রে।

ইন্টরনেসনেল পরালিম্পিক কম্মিটি (আই পি সি) না থাদোরকখিবা চেরোল অমদা হায়, রসিয়াগী এথলেট ১৭৫ হেনবনা ইন্দভিজুয়েল ওইনা শরুক য়াবা য়াহনবীনবা চেরোল পীশিন্দুনা ৱাকৎলকখিবা অদু শগোলশেল নুমিৎতা ককথৎখিবনি।

ৱর্ল্ড এন্টি-দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) গী রিপোর্টতা রসিয়াদা ষ্টেট স্পোন্সর দোপিং চথৈ হায়বগী মরালদা ইন্টরনেসনেল পরালিম্পিক কম্মিটি (আই পি সি) না ওগষ্ট ৭ তা রসিয়ন কম্পিটিটরশিং পরালিম্পিক গেমসদা শরুক য়াবদা অথিংবা থম্লে হায়না লাউথোকখি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, রসিয়াগী শান্নরোয়শিং পরালিম্পিক গেমসদা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখিবা অদু কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টস (সি এ এস) না শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

চহী মরি-মরি লৈরগা পাঙথোকপা পরালিম্পিক গেমস অসি কুমজা ১৯৪৮ দগী তোঙান তোঙানবা ফোর্মশিংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লবসু হৌখিবা চহী ২০ রোম অসিদা মসিগী মরু ওইবসি হেঙ্গৎলক্লি। কুমজা ২০১২ গী লন্দন পরালিম্পিক গেমসদা লৈবাক ১৬৪ দগী এথলেট ৪,৩০০ শরুক য়াখি। গেমস অদুদা রসিয়াগী টিমনা চিনাগী মথংদা অনীশুবা পোজিসন তাখি অমদি কুমজা ২০১৪ গী সোচি ৱিন্টর গেমসদনা মেদল টেলিদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি।

পনবা য়াই, রিও ওলেম্পিক গেমসদা রসিয়াবু অথিংবা থমখিবা অদুবু কোমথোক্তনবা কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট (সি এ এস) না লৌখিবা ৱারেপকী মায়োক্তা রসিয়ানা স্বিস ফেদরেল কোর্টতা অমুক হন্না ৱাকৎখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী পরা-এথলেট ১০০ হেনবনা ইন্দিভিজুয়েল ওইনা ইন্টরনেসনেল পরালিম্পিক কম্মিটি (আই পি সি) দা ৱাকৎ চেরোল পীশিন্দুনা গেমস অসিদা শরুক য়াবগী অয়াবা পীনবা হায়জখিবনি।

রসিয়াগী টিমবু রিও গেমসদা শরুক য়াহন্দনবা লৌখিবা ৱারেপ অসিনা লৈবাক অসিগী য়ামদ্রবদা পরা-এথলেট ২৬০ রোমদি সেপ্টেম্বর ৭ তগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা গেমস অসিদা শরুক য়াবা ফংলরোই।

রসিয়াবু পরালিম্পিক গেমসদগী অথিংবা থমখিবা অদুবু অকনবা মঙওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা থৌওং অসি অপুনবগী পাঙ্গলদা থাজদবা অমদি চৎনবীগী ৱাংমদনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# লীএন্দর পেস, রোহন বোপান্না মায়থীহৌরে, সনিয়া মিরজানা মিক্স দবলসতা মায় পাকখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৩ :
ভেটরান ইন্দিয়ন ষ্টার লীএন্দর পেস অমদি রোহন বোপান্নানা নুপাগী দবলস কম্পিটিসনদা মখোয় মখোয়গী মায়োক্নখিবা লম্বাশিংগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখিবগা লোয়নননা সানিয়া মিরজানা মহাক্কী মিক্স দবলসতা মায় পাকখিদুনা য়ু এস ওপন টেনিস টুর্ণামেন্টদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ইন্দো-জর্মনগী জুরা পেস অমদি এন্দ্রে বোগমেননা অহানবা রাউন্দদা ফ্রেঞ্চকী ষ্টেফনে রোবার্ট অমদি ইজরেলগী দুদি সেলাগী মখুৎতা পুং অমগা মিনিট ৫৯ চূপ্পা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৬-২, ৫-৭, ৪-৬ তা মায়থীহৌখি।

অতোপ্পা দবলসকী মেচ অমদা ইন্দো-দানিশকী জুরা রোহন বোপান্না অমসুং ফ্রেদরিক নেলসেননা অমেরিকাগী ব্রিয়ন বাকর অমদি ন্যু জিলেন্দগী মাকস দানিএলগী মখুৎতা ৬-২, ৭-৬ (৫) দা মায়থীহৌখি।

ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মিক্স দবলসকী মেচতা টোপ সীদ সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী ক্রোসিয়ন পার্টনর ইভান দোদিগনা অনসীদেদ অমেরিকান টেলর টাউনসেন্দ অমদি দোনাল্ড য়ঙবু কোর্ট পি সিক্সতা শান্নখিবা মেচতা ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

ইন্দো-ক্রোসিয়নগী জুরা অসিনা মখোয়গী লম্বাবু মায়থীবা পীখিবদা পুং অমগা মিনিট অনী চঙখি। মখোয়না শান্নখিবা মেচ অদুদা অপুনবা পোইন্ট ১১৮ গী মনুংদা ৬৭ লৌবা ঙমখিদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখিবনি।

বোপান্না-নেলসেন অনীনা মখোয়গী মায়োক্নখিবা বাকর-দানিএলগী মায়োক্তা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা সেট অদুদা বাকর-দানিএলনা ব্রিকপোইন্ট মরি ফংখিবগী মনুংদা অনীদি পোইন্ট ওন্থোকখি। মখোয়না সেকেন্দ সেটতা বোপান্না-নেলসেনগী মায়োক্তা মশক থোকপা সার্ভশিং তৌখিদুনা ৪-২ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

বাকর-দেনিএলনা মশক থোক্না খুৎ হল্লক্তুনা শান্নরকখিবদগী মেচ অদু ৫-৩ দা লৈখি। অদুবু বোপান্নানা নেলসেননা অথুবদা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা কাউন্টর এটেক তৌখিদুনা ৫-৫ দা চাং মান্ননা লৈখি। ইন্দো-দানিশকী জুরা অসিনা মেচ অদু টাই ব্রেকতা পুরকখিদুনা মখোয়না ৩-০ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু মখোয়গী মায়োক্তা ওপোনেন্টনা ফোর্সফুল ওইরবা সার্ভশিং মনম-মনম তৌশিনখিদুনা ৫-৭ তা নেম্না লৈহৌখি। পুং অমগা মিনিট ১৪ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দো-দানিশনা মায়থীহৌখি।

পেস-বেগেমেন অনীবু মায়থীবা পীরমখিবা রোবার্ট অমদি সেলানা মথংগী মেচতা পোলেন্দগী লুকাজ কুবোট অমদি ওষ্ট্রিয়াগী অলেকজেন্দর পেয়াগা অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

১২শুবা সীদেদ পোলিস-ওষ্ট্রিয়নগী টিম অসিনা অমেরিকাগী ইরিক কুইগলে অমদি নিকোলাস মৈষ্ট্রবু ৭-৬, ৬-১ দা মখোয়গী ওপনিং রাউন্দদা মায়থীবা পীখিদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখিবনি।

# য়োগেশ্বর দত্তগী লন্দন ২০১২ গী মেদল অদু গোল্ডদা ওনখৎলগনি : রিপোর্ট



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ : য়োগেশ্বর দত্তগী লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদল অদু সিলভরদা ওনখৎখিবা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা ষ্টার ইন্দিয়ন রেষ্টলর অসিগী মেদল অসি হৌজিক গোল্ডদা ওন্থোক্লগনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টনা ফোঙদোরক্লি।

মিদিয়া রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না য়োগেশ্বর দত্তগী মেদল অদু গোল্ড ওনখৎকন্দবগী মরমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক গেমসদা কে জি ৬০ গী ফ্রিষ্টাইল কেটগোরিদা গোল্ড মেদল লৌখিবা অজরবাইজানগী রেষ্টলর টোগরুল আসগারোভপু টেষ্ট তৌখিবদা আইন্না থিংখ্রবা পোৎলম শিজিন্নরম্বগী খুদম ফংখিবদগীনি। গেমস অদুদা অসগারোভনা মহাক্কী পার্ফোমেন্সতা মতীং পীগদবা পোৎলম শিজিন্নখি হায়রি।

মমাঙদা রসিয়াগী এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মরিরক ওইবতা নত্তনা অনীরক ওলেম্পিক্কী মেদলিষ্ট ওইখ্রবা রসিয়াগী বেসিক কুদুখোভকী লন্দন গেমসদা লৌখিবা সেম্পল টেষ্ট তৌখিবদা আইন্না থিংখ্রবা দ্রগ শিজিন্নরম্বগী খুদম চাংদম ফংখি। টেষ্ট অদু ৱর্ল্ড এন্টি-দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) চথখিবনি। রসিয়াগী রেষ্টলর অসিনা গেমস অদুদা সিলভর মেদল লৌখিবনি। রেষ্টলর বেসিক কুদুখোভনা ওলেম্পিক লোইরবা মতুং কুমজা ২০১৩ দা কার এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদে।

গেমস অদুদা কে জি ৬০ গী কেটগোরিদা শরুক য়াখিবা এথলেট অনীবু মখোয়গী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌখিবদা আইন্না থিংবা পোৎলমশিং শিজিন্নরম্বগীদমক মখোয়না ফংখিবা গোল্ড অমদি সিলভর মেদল অদু আইও সিনা মৎখিবগা লোয়নননা গেমস অদুদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা য়োগেশ্বর দত্তনা মহাক্কী মেদল অদু গোল্ডদা ওনখৎলবা য়ানা লৈরকখিবনি।

গেমস অদুগী নুপাগী কে জি ৬০ গী ফ্রিষ্টাইলদা ইন্দিয়াগী য়োগেশ্বর দত্তনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি অমদি মহাক্কী লৌখিবা সেম্পল টেষ্ট তৌখিবদা আইন্না থিংখ্রবা পোৎলম শিজিন্নরম্বগী প্রমাণ ফংখিদে হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ৱর্ল্ড এন্টি-দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না অসগারোভবু টেষ্ট তৌখিবদা পোজিটিব ওইখিবা অদুগী মরমদা মশান্না অসিগী মালেমগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিং (য়ু দব্লিয়ু দব্লিয়ু) গা ওফিসল ওইনা পাউফাওনদ্রি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোক্লি।

অদুমক্পু হীরম অসিগী মতাংদা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফইন্দিয়া (দব্লিয়ু এফ আই) না য়োগেশ্বর দত্তগী সিলভর মেদল অদু গোল্ডদা ওনখৎলে হায়বগী ওফিসল ওইবা পাউ য়ু দব্লিয়ু দব্লিয়ুদগী ফংবা লৈত্রি হায়রি।